## এডিটোরিয়েল

### কন্ট্রোল তৌগে হায়রবদি ত্রাফিক আইলেঙশিং পীকশিন্বা তায়

*মণিপুরদা মশিং কক্তনা বেঙ্ককী লোন্দা ৪ ভিহেকলদগী হৌরগা মখল কয়াগী ইঞ্জিন পানবা গাড়ীশিং লৈনবা লোন পিথরি। মসি মরুওইনা গভর্নমেন্টকী ইমপ্লোই লাক্ষ অমা হেন্বদা পীথরিবা লোননি। ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট ডিপার্টমেন্টনসু লমদমসিদা পীগদবা ফোর ভিহেকলগা অতৈ গাড়ীশিংগী মশিং কয়া য়াম্না পীরগদি লৈরিবা লম্বীগী অপাকপা অসিদা চৎপা য়াগদগে হায়বদু য়েংলগা গাড়ী মশিং হেনগৎনবা বেঙ্ককী লোন অদুদা রেস্ট্রিক্সন অমত্তা পীদে। মতাং অসিদা ইমপ্লোইশিংদা পীরিবা লোন অমসুং সরকারনা লেপখিবা ইমপ্লোইশিংগী তলব অদুদা মিৎয়েং চংনিংঙাই ওই। ওইরিবা ফিভমদি বেঙ্ক লোন লৌবা ইমপ্লোই অমদগীদি মখল মখা কয়াগী টেক্সশিং রিকোভর তৌবা ঙমগনি, অদুগা মশিং থিঙমদনা মপান লমদগী য়ুজদ ভোইকল হায়বদি সেকেন্ত হেন্ডগী গাড়ী কয়া লৈদুনা পুশিল্লক্লিবা অসিদা অথিংবা থমদবা মরম্না ঙসি ষ্টেট অসিদা ইঞ্জিন পানবা গারীশিংগী মশিং অসি হেনগৎলকপনি হায়বসিদা থোইদোক্লা লানগদবা মান্দে। মতাং অসিদনি ত্রান্সপোর্ট ডিপার্টমেন্টকী শেঞ্জা থুমজা চাওনা লৈরব্রা হায়বগী ৱাহং অমা লাক্লিবসি। মপান্দগী পুশিল্লকপা সেকেন্ড হেন্দ গাড়ীশিং অসি মণিপুরগী ত্রান্সপোর্ট ডিপার্টমেন্টনা ষ্টেটসিগী নম্বর ওহোকপদা অথিংবা অমত্তা পীদে অমসুং ডিষ্ট্রিক্ট ত্রান্সপোর্ট ওফিসারশিংনা ষ্টেটকী নম্বর অমা হেক্তা পীবদগী মথোং হুক্তবা মওংদা ইঞ্জিন পানবা গাড়ীশিংগী মশিং হেনগৎলকপনি অমদি মদুগী খুদোংচাবা অদুনা গারী হুরান্বশিংনা লৌবনি। মসিদা মীয়াম্না খঙবগী মতুংইন্নদি হেনগৎলক্লিবা গারী মশিংগা হুরান্বনা হুখিবা গাড়ী মশিংগা য়াম্না চাওনা খেন্নদে হায়বসিনি। মদু ওইবা তারগদি গাড়ী হুরান্দুনা পুশিল্লক্লিবা গেং খুৎপু অদুগা ষ্টেটসিগী ত্রান্সপোর্ট ডিপার্টমেন্টকা অচৌবা মরী লৈনৈ হায়বসি মশানা য়াবা তাবনি।*

*লূশিল্লক্লিবা ৱাফমদি বেঙ্কনা লোন পীবদগী লৈরকপা গাড়ী মশিং য়ামখৎলকপা অমসুং সেকেন্ড হেন্দগী গাড়ী মখল কয়া লম্বীদা সরকারগী অয়াবা অমগা লোয়ননা চেল্লকপদগী ত্রাফিক কঞ্জেনসন কয়া পুং খুদিংগী থোক্লকপা অসিনি। মদু সরকারনা অয়াবা পীদুনা গাড়ী মশিং হেনগৎহনখিবনা ওইবনি হায়না লৌরগা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা মণিপুরদা রেজিষ্টার তৌরবা অহনবা অমসুং সেকেন্ড হেন্দগী গাড়ী মশিং কয়ানো হায়বদু খঙহনফম থোকই। মসিগী মথক্তা মীয়ামদা খ্বাইদগী হেন্না ডিস্তর্ব তৌরিবা ওটো–রিক্সোশিংগী মশিং, টাটা মেজিক গাড়ীগী মশিং কয়ানা ইম্ফালগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ফাওনা চেল্লিবগে হায়বসিসু মীয়াম খঙহন্নবা হোৎনফম থোকই। মসি পূন্নমক অসি সরকারগী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা লোৎশিন্দুনা থম্বদগী মণিপুরগী ত্রাফিক সিষ্টেম অসিদা চাওনা অকায়বা কয়া অমা পীরি হায়বসি খঙফম থোকপনি। হৌজিক ফিভম অসিদা নুপী কৈথেলগী য়ুহার মতুং ওইরকখিবা ফিভম কয়াদগী মরম চাদনা লম্বী চিলহন্বনি হায়না লৌবা তাবরা হায়বা ৱাফম অমসু উরক্লি।*

*নৌনা শেম্লকপা মফম কয়াগী ত্রাফিক আইলেন্দশিং মওং মরিল তাদবনা মরম ওইদুনা নৌনা মীশি মীনা য়াওবা এক্সিদেন্ট কয়া থোক্লীবসিসু তশেংনা সরকারগী অশোয়বা পোলিসিদগীওইরকপনি হায়বসিসু চুমগনি। তশেংনা লমদমসিগী ত্রাফিক্কী ওইবা খুদক খুদক্কী নিয়ম কয়াসিনা মীয়াম্বুসু চম্মনহল্লে অমদি নিয়মদুবু চুল্লাইরিবা ত্রাফিক্কী চমজরবা মখা থাবা মথৌ তৌজরিবা কয়াবুসু মীয়ামগী মীচৈ তক্তনা চংহল্লে হায়বসিসু খঙফম থোকপনি।*

*হেন্না চনৈনরিবনা, পিক্লবা ইম্ফাল সহরসিগী ওইবা ত্রাফিক্কী গাইদলাইন ওইবা য়াবা মরিক চুম্বা শক্তম অমত্তং মীয়াম খঙনা থম্লগা হেন্না মশক থোকপা ত্রফিক্কী নিয়ম কয়াবু মীয়াম্না মশক থোক্লা খঙননবা হোৎনবগী মথৌ তারব্রা হায়বসিসু খনফম থোক্লে। ত্রাফিক আইনগী লমদা ফাগী তাবগী থৌশিল তক্তনা থোকপনা মরম ওইদুনা লমদমসিগী মীওই মরু ওইনা ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংদা আইনবু নাচুংদবগী হৈনবী অমা পোকহল্লে হায়না হায়রক্লিবসিসু লান্দ্রবনি। তশেংনা ইউনিফোর্ম শেৎলগা ত্রাফিক্কী আইন ঙাক্লীবা সরকারগী থবক তৌরিবা পার্সোনেলশিংনা আইন কায়না মরাল লৈরে খঙলবা মীয়ামবু শেল নত্তবা অতোপ্পা দন্দি মতিক চানা পীবগী মতমদু থেংমল্লবনি।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### চংগদৌবা পূন্নমক ঙন্না চংহৌবা ফৈ

***ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,***

*অঙাং ওইরিঙৈদগী কম্যুনিষ্টকী আইদিওলোজিদা থাজদুনা চহী ৪০ গী মথক্তা কম্যুনিষ্টকী লুচিংবা ওইদুনা লাকখিবা অদুগা পার্টিগী মীহুৎ ওইনা এম এল এ অমদি মন্ত্রী ওইদুনা লাকখ্রবা কুম্বী কেন্দ্রগী এন মঙ্গিনা মহাক্কী পুন্সিগী অয়াম্বা শরুক্কা থাগোন্নরক্লবা পার্টি থাদোক্তুনা বি জে পি দা য়াওখিবসি মণিপুরগী রাজনিতিদদি ঙক্লা থোক্তবা থৌদোক অমনি। মণিপুরগী ওসেমব্লিগী ইলেক্সন অসি ২০১৭ কী অঙনবদা পাঙথোক্কদৌবা লৈরবনিনা সেন্টরদা সরকার পায়রিবা বি জে পি দা রাজনিতিৱালাশিংনা চোংশিননিংবা অমদি পার্টি অসিগী তিকেটতা ভোট লেপনিংবা হায়বসি মশানা তাবনি। হৌজিক ষ্টেট অসিদা সরকার পায়রিবা কংগ্রেস আইগী লূচিংবা কয়াসু বি জে পি দা চংনবা ৱানোম্বা য়াওই হায়না প্রসিদেন্ট চাওবনা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি। মসিগীসু মথক্তা মন্ত্রি ওইবা ফংহৌদবা অমদি রিফল তৌবীয়ু য়াদে হায়দুনা শাওরিবা এম এল এ কুন অমুকসু বি জে পি দা চংশিলকপা য়াই হায়না নিংফুং নিংফুং ঙাংনরিবনি। মতাং অসিদা হায়নিংবা ৱাফম অমদি করিগুম্বা চোংথোক চোংশিন তৌদুনা মাগী মাগী ফীভম শেমগদৌবা লৈরবদি হৌজিক ভোট খর ৱাৎলিঙৈ অসিদা চোংহৌবনা কেন্দিদেট মশাগীসু মহাক্কী মতুং ইনবা খোঙলোইশিংগী ওইনসু নাখে শেংবা অমদি ফংগনি অমরোমদা প্রসিদেন্ট ওইবগী মতম লোয়রদুনা অনৌবা প্রসিদেন্ট অমা শীল্লগনি হায়না ঙাংনরিবা বি জে পি গী হৌজিক প্রসিদেন্ট ওইরিবা থৌনাওজম চাওবগী ওইনদি অসিগুম্বা ভোট কাবা য়াবা লিদর ময়াম অমা পার্টি অসিদা পুশিনবা ঙম্বসি মহাক্না পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট ওইদুনা লৈনবগী অচৌবা মচাক অমা ওইহল্লবনি। পূন্নমক অসি য়েংলগা অমগীসু কান্নবা অমগীসু কান্নবা হায়বা পোলিসি অদুগী মখাদা বি জে পি দা চংহৌগদৌবা রাজনিতিৱালাশিং ঙল্লিঙৈদা চংহৌবনা পূন্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি হায়বা ৱাফম অসি অদোমগী চেফোঙগী খুৎথাংদা ফোঙদোকচনিংই।*

***অদোমগী***
***খুন্দোম কোন্দুবা মীতৈ***
***য়াইরিপোক***

# মমাঙউঙে মণিপুরদা লৈতেংগী লীক–কোন হৈদুনা শানরম্বগী মওং

**লাইশ্রম ইমোবা**

ঐখোয়গী ফুরুপ (মৈতৈ) অসিগী ফিজেৎ লৈতেংশিংগী তোপ–তোপ্পা মশাগী ফজবা মগুন কয়া লৈজে। চাওখৎলবা ঙসিগী মতম অসিদদি, লমদম অসিদা মখল মথেল পোৎচাক কয়ানা শাজবা ঙক্কী, খুদাংগী, নাগী, খুৎশাগী অমদি খোঙগী লৈতেং কয়াবু থৱায়–তানা লমদম অসিগী মীওইশিংনা অমুক্কা হেন্না শীজিন্নরক্লি। লৈতেংশিং অসিবু শেম–শাবগী লমদসু হেন্না হৈথোই–শিংথোইনরবা খুৎনাইবী–বা কয়া থোরক্লি। মখোয়গী মরক্তগী, লমদম অসিগী থাক্তদা নত্তনা ভারত পুম্বগী থাক্তা লেমজনিঙাই ওইরবা মনা–মথুম কয়া ফংনবা ফাওবা য়াওরক্লে। মখোয়না লমদমসিগী ফিজেৎ–লৈতেংশিংগী নীংথিবশিংবু, সনাদা তম্ফা থিনবগুম থোকহল্লি। লৈতেংশিং অসিবু শেম শাবনা পুন্সিগী অমত্তা ঙাইরবা লেমজনিঙাই শিনফম ওইনা মায় ওনশিন্নবা মীওই কয়াসু লমদম অসিদা লৈরক্লে। ময়াম অসিগী মনুংদা, খুন্নাই অসিনা "সনা শাবা" হায়না খঙনবা শিনফম অসিসু অমনি। শিনফম অসি, ঙসিদি লেমজনিঙাই ওইনরবা শিনফমশিংগী মরক্তা থোইদোকপা অমা ওইরক্লে। শিনফম অসি মমাঙউঙৈদদি খুন্নাই অসিগী অশুম–অশুম্বা য়ুম্নাক শাগৈশিংনা পাঙনগদবনি হায়বা লৈরক্লগসু, হৌজিক্তি পাম্নজবা মীওই খুদিংনা পাংনবা শিনফম ওইরক্লে। শিল্পা পাংনবগীদমক্তসু চাওখৎলবা মতমগী খুৎশু–খুৎলায়শিং শীজিন্নদুনা হেন্না নীংথিনা লৈতেংগী পোৎলম কয়া শেম শানরক্লে। মমাঙউঙৈগী মতমদা পাংনরম্বা শিল্পা অসিগী মওংশিং অদুদি মতমগী মতুংইন্না ৱারী শিংবুল ওইনতমক লৈহৌরে।

লমদম অসিদা, মখল–মখা ধাতু কয়ামুক শীজিন্নরকপগী ৱারীদি, চিনবুং অমসুং অরিবা খুৎই লাইরিক কয়াদা থেংনরি। লোয়ুম্বা শিনয়েন কৌবা লাইরিক্কী মতুংইন্না, খৃ ১০৭৪ দগী ১১২২ ফাওবদা পানখিবা মৈদিংঙু লোয়ুম্বনা, লমদমসিগী প্রজাশিংদা, মানা–মানা শু–নোম্নগদবা শীনফমশিং য়ুম্নাক্কা কোন্ননা য়েহ্থোকখি। মদুদা য়োৎশুবগী শিনফম্বু থাংজম, ধাতুনা কোন–লীক হৈবগীবুনা অহৈবম হায়বনচিংবা য়ুম্নাক শাগৈশিংদা য়েহ্থোকখিবগী ৱারোল পল্লি। অদুবু ফিজেৎ লৈতেংগী ওইনা লীক–লৈ খুজি– খুদোপ্পচিংবা পোৎলমশিংবু লমদম অসিদা, করম্বা ইতিহাসকী তাঙ্কক্তগী শাবা চৎনরকখিবগে হায়বগীদি তাংদাংবা খঙবদা লুনা থোক্লি। অমরোমদা, মণিপুর সরকারগী আর্কিওলজি বিভাগনা লৈবাক তৌদুনা থিজিনখিবশিংদা ধাতুনা শাবা লৈতেংশিং ফংবগী রিপোর্টশিং লৈরি। শেক্তাদা হৌজিক লৈরিবা লিভিং ম্যুনিয়মগী মফম অসি তৌখিবদসু লীক–খুদোপ্পচিংবা ফংখি। তৌবতবু লৈতেংগী পোৎলমশিং অদু করম্বা মতমগীনো হায়বমক্তি, চপ–চাবা সাইন্টিফিক মেথড শীজিন্নদুনা লেপথোকপা ঙমদ্রি। অদুবু, অসিগুম্বা লৈতেংগী পোৎলমশিং অসিবু শেম–শাবগী থবকশিংদি, লমদম অসিগী অখন্নবা নুপীশিংনা তৌনরম্বা য়াই হায়বগী থাজবা কয়া লৈ। মরমদি মণিপুরগী জগোই রাসপু লিংখৎপিরম্বা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা রাসকী লৈতেংশিং লাংখৎখিবা মতমদা, মতমদুগী শৃঙ্গার কাবী (অয়ুক্তা শ্রীগোবিন্দগী সেবা চৎপী) ইমা–ইবেলশিংগা তান্দুনা শেমখি হায়বগী ৱাফম লৈরি।

ধাতুনা লীক–কোল হৈবগী শীনফম অসি ঙসিসু মণিপুরদা, ইম্ফাল জিলাগী মনুংদা হৈরাংগোইথোং অমসুং খোংনাং ফৈদেকপী হায়রিবা মফম অসিদা অহৈবম য়ুম্নাক্কী মীওইশিংনা পাংথোক্লরি। হৈরাংগোইথোংগী (১৯৯৪ দা মশাগী চহী ৮৯ দা লৈখিদ্রবী) অহৈবম ৺ইবেচা দেবীনা লৈরিঙৈদা, নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা লৈতেংগী পোৎলমশিং অসি নুপীশিংনা শারম্মী, মশামকসু শিনফম অসি অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা পায়রকখি হায়বীরম্মী। মখোয়না, হকচাংগী লৈতেংশিং হায়বদি ঙক্তা লৈতেংনবা লীক মখলশিং খুৎকী খুজি খুদোপশিং অমদি নাগী লৈ কয়াবু কোয়রুনা মওং লৌদুনা শাদোক্লগা মদুদা ধাতু হৈরগা (ৱাক্স লোষ্ট প্রোসেস) শেম শানরম্মী। অসিগুম্বা খুৎশাশিং অসি ঙসিদি খুৎনাইবশিংগী শিল্পাশঙশিংদা চৎন–উনদ্রবা থৌদৌ হায়বদু ওইরে। অদুবু হৌজিক হৌজিক লীক–কোল হৈবগী শিল্পা পাংনরিবা লৈকাইশিংগী অহল–লমনশিং অমদি অদুগুম্বা শিল্পানা মপুন্সিগী শিনফম ওইনখিবা লাই ওইখ্রবী ইমা–ইবেনশিংনা তাকখিবা কয়াদা য়ুম্ফম ওইরগা, লমদম অসিদা মতৌ করম্না লৈতেংগী লীক–কোনশিংবু খোয়রুদা হৈরগা শারম্বগে হায়বসি শেংনা খঙবা ঙম্মি।

লৈতেংগী নৎত্রগা অতৈ লমদা শীজিন্ননবা কোল–লীক হৈনবগীদমক্তা পিথ্রাই, শেঞ্জেং, অমদি কোরিনচিংবা ধাতুশিং অসি শীজিন্নৈ। ধাতুশিং অসিনা অচৌবা মচা পোৎলমশিংবু হৈদুনা শেম্নবগীদমক্তা অহানবদা "লৈমী তম্বা" হায়না খঙনবা থৌরাং অমা লাংই। ৱারেং অসিদা থমজরিবশিংদি অপিক–অপিকপা লৈতেংগী ওইবা লীক–লৈনচিংবা শানবগীদমক্তা করম্না লৈমী তম্বগে হায়বশিংনি।

অপিকপা লৈতেংগী পোৎলমশিংগীদমক্তা লৈমী তম্বদি মখল অনী থোক্লা লৈরম্মী। অহানবা মখলনা শাগদৌরিবা পোৎশক অদুগা চপ–মান্নবা মওংদা খোয়রুনা শাদোকপা, অদুগা অনীশুবা মখলদনা লৈতানদা নিকথোক্লবা চেংকুপ য়ানশিন্দুনা (চেংকুপ শরুক অহুমদা লৈতান শরুক অমা) থিৎলগা ওইরকপা লৈখোম্না অপিক অপিকপা মতুম তাগনি, অদুবু ফৌদুনা কংহল্লবা মতুংদা অমুক মৈদা মুন্না (কাশিন্না) লৌথোকপা নৎত্রগা ঙৌথোক্লবা মতুংদা অকুপ্পা খোয়রুগী লংলানা মথক্তা য়েৎশিন্দুনা শাগদৌরিবা পোৎশক্কি মওংদু শাদোক্কনি। অহানবা মখলগী লৈমী তম্বগী মওং অসিনা মনুং ফুনবা পোৎশকশিংগীদমক অদুগা অনীশুবা মওংগী অসিনা মরিল–মনুং হোবা শরিক মচাগুম্বা হৈনবগীদমক্তনি।

শেম–শাবা লোয়রবা লৈমীশিং অদু সেন্টিমিটর ২.৫ মুক শাংনা কক্লবা অপিকপা ৱাশাংশিংনা, অমমমতা ওইনা লৈমীশিংগী মতোন থংবা শরুক্তা য়ুংশিনগনি। থৌওংসিবু "কোলু হাপ্পা" হায়রগা খঙনৈ। মসিগী মতুংদা লৈমীশিংদুবু ঈশিংদা থিক্তুনা থম্লবা উৎতা লূপশিল্লুরগা অমুক্কসু অকংবা উৎ চাইশিন্দুনা, উৎকি মরোল অমা থাগৎহনগনি। শরিককুম্বগী লৈমীদদি মসি পাংখোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা "মখা ককপা" হায়দুনা ময়া পানবা থৌরবা থাংনা, লৈমীদুগী মচিনগী শরুক্তা তঙ্খায় নৎত্রগা কারন শানা খোয়রুগী শরুক কোৎথোক্লগা অচোৎপা উৎ হান্না নমশিলহৌগনি। থৌওং অসিবুনা "মখা নম্বা" হায়না খঙনৈ।

মথক্কী থৌওংশিং অসি লোয়রবা মতুংদা ৱাইগা য়ানশিন্নদুনা থিৎলবা লৈখোম্না লৈমীশিং অদুবু পাক্লা পূল্লপ–পুল্লপ অমুক য়োমশিনগনি। থৌওংসিবুনা "লৈমী য়োম্বা" হায়না খঙনৈ। মসিদা য়োম্লিবা লৈখোমগী অথাবা চাং অসি মনুং য়োমখ্রিবা লৈমীদুগী অথাবগা হাইরপ মান্নহল্লি। চপ–চানা ওন্দুনা মান্নহনবদি নত্তে। তোয়না শিল্পানরক্লদুনা খুৎলোয়নরবা খুৎনাইবীশিংগী হৈথোইনরবা থৌওংনি। য়োমশিল্লবা লৈমীশিংদু নুংশাদা ফৌদুনা মপুং ফানা অমুক কংহনগনি। কংলবা মতুংদা অদুবু অমুক মৈদা ৱাওরি–ৱাওরি শাহল্লগা "কোলু শৎপা" হায়দুনা ৱাশা মচা–মচাশিং অদু শক্তোক্কনি।

কোলু শৎখ্রবা লৈমী ময়োমশিং অদু অখন্নবা শেম্লবা লৈরং অমগী মনুংদা থম্লগা মৈ থাদুনা, মনুংদা য়াওখ্রিবা খোয়রুগী শরুকশিংবু শৌদোকহন্দুনা মৈ চাকহনবতা নত্তনা লৈমী ময়োমশিং অদু অকক্লবা চাং অমা য়ৌদ্রিফাওবা শাহনগনি। শাহনবগী চাং অসি লৈমী ময়োম অদুগী ইঙাং ঙাংলকপা মচু য়োংদুনা নৎত্রগা মচিন্দা মৈ চাক্ত্রবা মতমদা চপ–চারে হায়বা খঙনগনি। চাং অসি য়ৌদ্রিবা ফাওবদি শীং য়াংশিন্দুনা থাগনি। মতমসিমক্তদা অতোপ্পা লৈরং অমদনা হৈগদৌরিবা ধাতু অদুসু কোনফু অমদা হাপ্তুনা মহি লাংনা শৌদোকহল্লি।

মৈদা শাহল্লিবা লৈমী ময়োম অদুগী মৈঙাংগী চাং– চপ চারবা মতমদা, হান্না শেম শাদুনা থম্লবা উৎকি ফম্বাক অমদা লৈমীদু চেপ্লপ থম্লগা খুদক্তুনা ধাতুগী লাংথোক্লবা মহিদু হৈজিনগনি। থৌওং অসি পাংথোকপদা মীওই অনীদি তঙাইফদনা চংই। মতাং অসি লৈতেংগী পোৎলমশিং হৈবদা খ্বাইদগী লুবা তাঞ্জানি। লৈমী অদুগী মৈইক–মৈশা হনখিদুনা হেক ইংখিবদা হৈজিল্লিবা ধাতু মহিদু চংলোইদৌরিবনি। হৈথবগী চাংদা খর–খজিং লকক তৌবদসু, ওইরক্কদৌরিবা পোৎশকশিং অদুদা ছিদ্র লৈগদৌরিবনি।

অসুম্না হৈবা লোইরবা মতুংদা, লৈমীদু অঈংবা ঈশিংদা লূপশিন্দুনা ইংথহল্লগা মপান্দা য়োমশিল্লিবা লৈবাক্কী শরুক অদু থুগাইদুনা লৌথোক্কনি। মতুংদা কোলুনচিংবদু ককথৎলগা, হৈরিবা পোৎশক অদু শিৎ–নান্দুনা মপুং ফানা শেম–শাই। মরীন–মনুং হোগদবা পোৎশকশিংগীদি, মখয়াৎকি শরুক্তগী মনুংদা য়াওখ্রিবা লৈবাক্কী শরুকশিং অদু কোৎথোক্কনি। অসুম্না শেম্লবা পোৎশকশিংবু লেংবদা মখোল থোকহন্নবগীদমক্তা, অহোবশিং অদুদা নুংজ্রেং মচা–নৎত্রগা দাতু মচেৎনচিংবা হাপচিল্লি। অসিগুম্বা ধাতুগী পোৎলমশিং অসিবু মচু থোক্লা লংহন্নবগীদমক্তনা হৈনৌজোম, হৈবুং, হৈরিবোপ মশিন অমদি কেক্রুনচিংবা উহৈ–ৱাহৈশিং শীজিন্নদুনা ফেংদোকই।

পঞ্জখ্রিবা থৌওং অসিদা ধাতুনা হৈদুনা মণিপুরদা মমাঙউঙৈ শারম্বা ঙককী লৈতেং (লীক) খরগী মমিং পনবা তারবদি শন্দ্রেম্বী, কোন্দুম, মরৈ–মরেং, কিয়াং লিকফাং থরোই মনিং, থাংতুপ মানবী, জনশঙখ, ঙাঙ্গোই পরেং হৈক্রু অখায়বী হায়বনচিংবশিং অসিনি। মনুং হোবা মখলগী পোৎলমশিংদনা – কারোৎ মরু, তাইরেল মপাল হায়বশিং অসি পনবা য়াই। ময়াম অসিগী মথক্তা – পেনা শরিক শেঙ্গাও শরিক হায়না খঙনবা শরিক মচাশিংসু হৈনরম্মী। মদুগী মনুংদা পেনা শরিক হৈবদদি শেঞ্জেংতমক শীজিন্নরম্মী, অতোপ্পা মখলগী ধাতুনা হৈরবদি মখোল ফজদে। হৌজিক্কী মতমদসু ঐখোয়না উন–খঙনরিবা পেনাগী চৈজিং অমদা অসিগুম্বা শরিক মচা অসি ১০০ দগী ১৫০ ফাওবা হাপ্নে।

মণিপুরদা মমাঙউঙৈ ধাতুনা হৈদুনা শানরম্বা লৈতেংগী লীক–কোনশিং অসি, মীচম নুপীশিংনদি পংনা শীজিন্নরমদে, নিংথৌকোনগী লৈম–শিজশিং অদি অঙম–অথৌশিংগী নুপী অঙাংশিংতনা কে মৌরকপা মতমদা লৈতেংনরম্মী। কনাগুম্বী মীচম লৈশাবীশিংনা ঙককী লৈতেং ওইনা, অমুবা লংগী লংশুংদা শন্দ্রেম্বী, থা–মচেৎ, থাংতুপ হায়বনচিংবা লৈতেংশিং অসিগী মরু অমমমতা লেংদুনা শীজিন্নবদি য়াওনরম্মী। মদুসু মতমদুগী মীয়াম্না য়াম্না মীতানখিবা মখলগী লৈতেংশিংনি। অদুবু লাইবক থীবদি, লমদমসিগী ওইনা মমাঙউঙৈদা, লমদম অসিগী খুৎহৈবশিংনা শাজুদনা চৎনরম্বা নিংথি–নিংথিরবা লৈতেংশিং অদুগী মওংশিংগী মখল খুদিংমক, ঙসিগী খুৎনাইবশিংগী অনৌবা খুৎশাদা মখল শুনা শাবা ঙম্নদে। অয়াম্বনা মমাঙউঙৈ চৎনরম্বা মওংনি হায়রগতা নীংশিংনরে।

# সাহেব ওংবী মৈতৈ নুপীশিং

**মোইরাংথেম ইরাবোত**

অহানবা লাঞ্জাও মনুং (১৯১৪–১৮) দা মণিপুরদগী সিফাই ৫০০ নে পোৎ পুবা মী লিশিং ২ নে বৃটিশকী মতেং পাংনবা ফ্রান্স য়ৌনবা থাই। ব্লেককী সাহেব (বিনাট) না লমজিংখি। খাগেমপল্লিদগী হুইদ্রোম অমুবী কৌবী নুপী অমা লৌবনা মহাক মৈতৈরোন খরা খরা খঙই। ক্লাকৈথেল লম্পাক ফাওবা চুরাচান্দ মহারাজনা মখোয়বু বাঝাই বেংগুলগা লোয়ননা থিন্দোকই। ব্লেককী সাহেব মশক মতৌ ফজবা নহানি। স্পোর্টসমেন্নি। খাগেমপল্লি পীশুম মনীংদা লৈবী অমুবীনা মঙোন্দা ওংবদু জুলাই ২৪.১৯১৬ তনি। কুইনা পান্নখিদ্রে। অহানবা লাঞ্জাওদগী হল্লকপদা অমুবীবু হূন্দোক্লম্লগা কলিকতা পাংখি। বৃটিশতা ওংলুবগী ব্রহ্মা সভানা অমুবীবু ইহ্থোকপদগী অমুবীনা অৱাবা কয়া খাঙখি। ঐজ্ঞা ললিতমাধনচিংবা কংগ্রেসমেনশিংনা অমুবীখোয়দা শঙ্গোম ক্ষীর চাদুনা শেংদোকপিখি হায়বা ৱা লৈরি।

১৮৪৪ ইংদগী মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্ট ওইনা মেক্কুলোক সাহেবনসু থাঙ্গদগী নিংথৌজম থোৎপী কৌবী নুপী অমা লৌরমই। থবক্তগী পোখারবা তুংদা নুপী অঙাংগা শিলংদা লৈখি।

লৈবাক পুংজাও থিনখিবদি বর সাহেব ওংবী সনাতোম্বীগী মতাংনি। মশক মতৌ নানবী অসি সুরচন্দ্র মহারাজগী মচানুপীনি। অঙোম নিংথৌগী মমৌনুপীনি। মচানিপা নোংমাইথেম মনিকচান্দগী নুপীনি। অশাংবম মীনকেতন্না মাগী 'লারোল অনী' কৌবা লাইরিক্তা পল্লি –'নুংথিল পোবোপ্তা মৱা ময়ুমদগী চুমদ্রিং চেশিন্দুনা সাহেবতা মশা কথোকই।' ওক্টোবর ৫,১৮৯২ ইংদনি। কংলাদা থম্নম্বদগী জুলাই ৫, ১৮৯৪ দগী উন্দ্রদা পুশিনখি। মনিক চান্দনা নুপীগী মমল ওইনা লুপা ২০০ হল্লু হায়না মেক্সরেল সাহেবতা ইংলিসতা ইবা চিঠি অমা থাজিল্লকই। মতম অদুদা অসুম্না ইংলিসতা চিঠি ইবা ঙম্বসি হাওদৈজাম্বা চৈতন্য মতোমতনি, চিঠি অসি মহাক্না ইবনি হায়না মেক্সৱেলনা খঙই। হাওদৈজাম্বা চৈতন্য সিংহ ১৯ শুবা শতাব্দীগী অরোইবা শরুক্তা শিলংদা পোকখি। মপাবুংগী মমিং গোকুল সিংহ ওর্ফে পলান্দো কৌই। মপাবু পোকপা মবুধোঁ অদু গম্ভির সিংহ মহারাজগী মহাক্তক্তগী নিংথৌরোল অহুম সনা কোনুংগী সেলুংবা ওইরমই। মপাবুং গোকুল সিংহবু চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজনা আসামগী চিফ কমিস্নার কর্ণেল কটিঞ্জগী শৱারী ওইনা শিলংদা থারমই। শিলংদা লৈরিঙৈদা চৈতন্য পোকপনি। চহী ১৫ শিলংদা থবক তৌরবা তুংদা মণিপুরদা থোরকখি। ধাকা তাবা দেবেন্দ্র সিংহগী মচানুপী থাবলম্না না পোকপা মচানুপী ইবেমহল দেবীবু লুহোংদুনা লৌরমই। ১৮৯১ ইংগী এঙ্গলো মণিপুরী ৱার মতুংদা কাছার মণিপুর লম্বীগী পোষ্টেল ওভরসিয়ার ওইনা থবক তৌরমই। ১৮৯৩ অদুৱাইদা পোলিটিকেল এজেন্ট অমদি ষ্টেটকী সুপরিন্টেন্দেন্ট এ পোরটিয়সনা চৈতন্যদা মৈতৈ ময়েক্তা ইবা লাইরিক খোমজিনবগী থবক তৌহল্লমই, চৈতন্যনা ষ্টেট ওফিসতা তহশিলদার ক্লার্ক ওইনা থবক তৌরম্বা মতমগী ৱানি। মেক্সৱেলনা চৈতন্যবু থিনা চৈবতা নত্তনা মহাক্কী থবক থানাদা য়েংশিনবা হৌখি। মহাক্না ওভরসিয়ার ওইরিঙৈগী ৱাগী থোং অহাইবী অমা মরামৎ (রিপ্যারিং) তৌবা মতমদা নুপা খরা নমদুনা শীজিন্নৈ হায়না নমফুদা মরাল পিশিন্দুনা চৈতন্যবু থবক্তগী লৌথোকখি।

১৮৯৯ ইংদগী মেক্সৱেল সাহেবপু প্রমোসন পিদুনা ষ্টেটকী পোলিটিকেল এজেন্ট অমসুং সুপরিন্টেন্দেন্ট হাপ্লকখি। ওভর–পাৱার শীজন্নদুনা চৈতন্যবু চয়োল অমা ফাজিন্দুনা থম্লবা তুংদা মণিপুরগী ৱাংমদা তাহ্থোকখি। মেক্সৱেলনা মৱা মপুরোইবা লৈরবী নুপী লৌদুনা মরাল লৈজদবা মীঙোন্দা ওৎনৈবিরে হায়বা চেরোল অমা ইদুনা ভারতকী ভাইসরোই–কম–গর্ভনর জেনেরেলদা ৱাকৎলমই। মদুগী ফল ওইনা মেক্সৱেলগী মহুত্তা সেক্সপিয়ার সাহেবপু মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্ট ওইনা থারকখি। মহাক্না চৈতন্যবু মণিপুরদা চঙবা য়াহনখি। চৈতন্যবু ষ্টেট হীল ওফিসতা কেরাণী হাপখি। ওফিসকী আশোয়বা খরদা চেন্নবদগী থবক্তগী পোখাদুনা লৈখি। পোখাং পুবগী অন্দোলন কনবা মতম্নি। অন্দোলন তৌনবা ইনশিনবা য়াওই হায়না পোলিটিকেল এজেন্ট কর্ণেল কোল–না ১৯২৫ এপ্রিল ১৯ দা ওর্ডর থোক্তুনা চৈতন্যবু মণিপুরদগী তাহ্থোকখি। মহাক কছারগী মাদুরগ্রাম রংপুরদা লৈখি। চহীসিগী জুন ৩০ দা ৱাকৎচে অমা আসামগী চিফ কমিস্নারদা লানখৎখি। মরোল –মহৈ খঙখিদে।

চৈতন্যনা ১৮৯৯ ইংদা "খম্বা থোইবীগী ৱারীনি" কৌবা লাইরিক ইদুনা শ্রীহট্টদা ছাপা তৌদুনা ফোঙখি। ১৯০০ ইংদনা "খাহী ঙম্বা" কৌবা লাইরিক অনৌবা মণিপুরী লোন্দা ইথোক্তুনা শ্রীহট্টগী চৈতন্য প্রেসতা ছাপা তৌদুনা ফোঙখি, ১৯০২ ইংদনা "চিংথংখোম্বা" শিলেট্টা ফোঙখি। ১৯০২ ইংদা পুথোকপা অতোপ্পা লাইরিক অমনা "তখেল ঙম্বা" নি। শ্রীহট্টগী ক্রোনিকল প্রেসতা ছাপা নমদুনা ফোঙবনি।

মীয়াম্না ফোঙনা ঙাংবা ঙমদ্রবসু সনাতোম্বীগী মরমদা মুরুম মুরুম শোন্নরম্ই। মদুগী ওৎনতৈনবদা সনাতোম্বীনা জগোই মকোক চিংদুনা রাস শান্নখি। পঞ্চায় মেম্বর কীর্ত্তিবু পুহল্লগা শ্রীধাম বৃন্দাবন চৎহল্লি। বর সাহেবকা লমাংদোংদা ঙা ফাবা চৎমিন্নৈ। ঐজ্ঞা বলদেবনা হায় "মেকসোন সাহেব অদু লমাংদোংদা য়ুম শানি তৌরম্লবনি"।

মেক্সৱেল সাহেব মতু মচা লৈরবা নুপানি। মেক্সপিয়ার সাহেব লাকপদগী ১৯০৫ মার্চ্চ ১২ দা মহাক মণিপুর থাদোকখি। সনাতোম্বী থাদোকপিরম্লে। সনাতোম্বী কুইনা পুনশিখিদরে। ১৯০৬ এপ্রিল ২৭ তা লৈখিদরে। নেপ্রা মেঞ্জর লৈরক মপা নম্বুল তুরেল মপান্দা মোংফম ওইখি। মোংফমদা নুঙ য়ুংলমই। মেক্সৱেলনা হায় "Fate has brought me there again to suffer and to see suffering." মে ২৭, ১৯০৬ তা কীর্ত্তিদা ইরকখি, "However fate has ordained otherwise and she has left manu sad hearts behind." " I greatly regret leaving Manipur." শিলচরগী খোঙচক্তা মণিপুর পাংলকখি। লমখাংদা সনাতোম্বী লৈখিদরে পাউ তাবদা নংঙমদনা সনাতোম্বীগী মপাম লমদম মণিপুরবু অরোইবা ওইনা য়েংলম্লগা লাইমতোল চীংদোন্দগী শগোল মমায় লৈখি (হুইয়েল লানপাউ ৪–১২–১৯৯৬)। এমঃ কেঃ বিনোদিনীনা মহাক্কী মরমদা ইবা "বর সাহেব ওংবী সনাতোম্বী" কৌবা লাইরিক অদু ১৯৭৭ দা ফোঙখি।